# ইন্দো ম্যান্মার রিজনেল বোদর কন্মিটি মিটিং মন্ত্রিপুখ্রি এ আর দে ক্বাটরদা পাঙথোক্কদৌরি



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ ঃ ইন্দো ম্যান্মার রিজনেল বোদর কন্মিটি মিটিং থা অসিগী ২৫দগী ২৯ ফাওবা ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা আই জি এ আর (সাউথ) হেদ ক্বাটরদা পাঙথোক্কদৌরি।

রিজনেল বোদর কন্মিটি ( আর টি সি) মিটিং অসিনা মরু ওইনা লৈবাক অনীগী সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং সিভিল ইষ্টাব্লিসমেন্টকী মীহুৎশিংনা তোঙান–তোঙানবা অরুবা ইশু কয়া খন্নবগী খুদোং চাবা লৌবগা লোয়ননা ৱারোইশিন পুরক্কবসু হোৎনগনি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মিটিং অসি ১১ শুবা এদিসননি। ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী দেলিকেটশিং মিটিং অসি শরুক য়াগনি।

আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা য়ুমল্লোন্নরিবা এসিয়ান পেসিফিক রিজনদা ইকোনোমিক কোওপরেসন, কলচরগী অচেৎপা মরী অমসুং শেমগৎ শাগৎপা মরী লৈনবশিং হেন্না খুৎমাং চাওশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা পোলিসি অসিনা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদা হেন্না মীৎয়েং চংলি।

মীৎয়েং অসিদা মণিপুরনা কলচা কষ্টম অমসুং ফুদ হেবিট অমদি ইয়ার কনেক্সনদা চাওনা মফম কনবা ঙম্নবা হোৎনরিবনি। এসিয়ান হায়ৱে ১গী ষ্টেট অসিগী বোদর পোষ্ট মোরেদা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী মরক্তা লল্লোল ইতিক্কী থবক চাদ ৯৯গী চাংদা চঙশিল্লি। অসিদসু নত্তনা ইন্দিয়া–ম্যান্মার–থাইলেন্দ ত্রাইলেটরেল হায়ৱেসু লমদম অসিগা য়াম্না মরী লৈনরিবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা খূৎমাঙ চাওশিনবা হায়বসি এক্ট ইষ্ট পোলিসি মায় পাকপগী মখা পোল্লি। অদুনা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার ওথোরিটিগী মরক্তা য়াম্না নকশিন্নবা অমসু অচেৎপা মরী লৈনবা তঙাইফদে।

# মচি ব্লোককী মনুং চনবা লম্লোং খুল্লেনদা লমকালাই–করখাঙ–এম পাঙথোকখ্রে

এসএনএস

তেংনৌপল, ওক্টোবর ২৩ ঃ চহী খুদিংগী লৌরোক থা মাঙওইননা পাঙথোকপা মরিং কাংলূপকী 'লমকালাই–করখাভ–এম' ফেষ্টিভেল ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি ব্লোককী মনুং চনবা লম্লোং খুল্লেনদা নাৎকী চৎনবী জগোয়–ঈশৈ কয়াগা লোয়ননা পাঙথোক্লখ্রে।



লম্লোং খুল্লেন ভিলেজ ওথোরিটিনা শীন্দুনা কলচরনা ত্রাইবকী আইদেন্টিটি অমসুং বেগবোননি হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা লমকালাই ফেষ্টিবেলদা লৌবুক্কা খুলগা শম্নবা লন্বীশিং শেংদোকপগা লোয়ননা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি। কুম অসিগী পোখোক চাথোক মরাং কায়হন্নব ঈশ্বরদা থৌনিজখি।

ভিলেজ ওথোরিটিগী চেয়ারমেন দি কে মোদেসনা ফোঙদোরকখিবদি ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকপগী মরমদি থাইনা অহলশিংনা লৈশেন্বা হৌরকপদগী মরিং ত্রাইবকী ওইনা লমকালাই–করখাঙ–এম ফেষ্টিবেল অসি চখরন্মী মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি ঈশ্বরনা ঐখোয়বু তাইবঙপানদা হিংননবা লৈশেন্বদা চাদবা য়াদবনিনা চানবগীদমক হুনখিবা মহৈ মরোং কয়া অদু লোকপা য়ারকপগা মরী লৈননা ঈশ্বরবু থাগৎপা অমদি মহৈ মরোংশিং য়ুমদা পুরক্কদৌরে হায়বগী তরাম্না ওকপা ফেষ্টিভেলনি।

খৃষ্টান ধর্ম্মগী পুন্সিদা নম্না লাকপা মরমনা কলচর অসিবু মাংবা য়াদবা অমদি জাতি ফুরুপ অমগী আইদেন্টিটি অমসূং বেগবোর্ন ওইবনিনা থাদোকপা চূপ্লোই খন্দুনা অমদি তূংগী ইচা ইশুশিংগী মতমদসু ইপা ইপুশিংনা অসিগুম্বা থৌরম পাঙথোক্লম্মী হায়বদু খঙহৌনবগীদমক অমদি তূং কোইনা লৈহৌনবগীদমক থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# ত্রিপুরাগী এম এল এ বিশ্বাজিৎ দত্তনা মীতৈ নিঙোলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে

অগরটলা, ওক্টোবর ২৩ ঃ মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা ত্রিপুরাগী খাৱাই এসেমব্লী কেন্দ্রগী এম এল এ বিশ্বাজিৎ দত্তনা মীতৈ নিঙোলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীখি।

এম এল এ বিশ্বাজিৎ দত্তনা পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা খৱাইদা য়াম্না লাইরিক খুদোল তম্লম্বগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা লাইরিকশিং অদু থম্নব হৌজিক হৌজিক লৈকোল ওর্গনাইজেসননা শাগৎলিবা পব্লিক লাইব্রেরি অসি হেন্না চাওখৎহন্নবা শোয়দনা হোৎনগনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ফোরম অসিগী ত্রিপুরা ব্রাঞ্চ অমদি মরুপ ওর্গনাইজেসন লালসিম্মুরনা শীন্দুনা লালসিম্মুরা মনিং মান্দবতা পাঙথোকখিবা নিঙোল চাক্কৌবা থৌরমদা শরুক য়াবা লাকি–খবী ইন্টনেসনেল মোদেল দাইনা ময়াংলম্বমসু ঙসি দিল্লিগীদমক অগরটালা থাদোকখি।

মঙোন্দা ত্রিপুরাগী ক্রাফষ্টকী পোখোক কয়াসু খুদোল তমখি হায়রি।



*৫শুবা জেকে রাইফলসনা শীন্দুনা ঙসি পাৎশোইদা পাঙথোকখিবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং*

# মোমোচা কে সি পিগা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ ঃ শিংজমৈ মতা সেনিমা হোলগী মায়োক্লবা শিংজমৈ কোংবা রোদতগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী দি এস পি (সি এ আর) ময়েংবম রোনিগী মখাদা এস আই হাওবম শচিন্দ্রনা লুচিংবা কাংবু অমনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফারে হায়–খবা হৈরাঙ্গোই থোংদগী ৱায়েংবম মোমোচা (২৯) অপোকপা তোম্বা কে সি পি অমদি মসিগী লান্মী শঙলুপ মীয়ামগী ফিঙাং লান্মীগা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না আইননা থিংখ্রবা লূপ অসিগী মেম্বর ইন চার্জ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি এস মঙালনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবদি আইদেল গার্ল কলেজদা লূপ অসিনা করিগুম্বদা দিমান্দ লেটর থাখিবা অমসুং কলেজ অসিদগী নম হাদুনা লুপা লীশিং ৫০ খোমগৎখিবা লৈতে। কলেজ অসিদগী শেল লৌবগী থৌদোক্তা চেন্নরিবা মোমোচা কনানো হায়বসু লূপ অসিনা খঙদে। মহাক কে সি পিগী কাদরসু নত্তে।

কে সি পি শাবশিং অসি লূপ অমা নৎত্রগা অমদা য়াওরম্বা মীওই অয়াম্বনা ওইগল্লি। মখোয়না মীয়ামদা চখবা অরানবা থৌওং কয়ানা লূপকী মীংচৎ মাংহনবা খক নত্তনা য়াওল লাম্হেংগী মশকসু থিহল্লি। য়াওল লাম্হেংদা মতম কয়াদগী থন্নকপা মীয়ামগী থাজবা মাংলকপগী অচৌবা মরম অমসু অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ওইহল্লি। অদুনা কে সি পি শাবশিংগা মরী লৈননা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইনা মীওই অসিগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চংলগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।











*আসাম রাইফলসনা ১৪ মোবাইল ফিল্ড ভেটিরিনরি হোস্পিটালগী এক্সপার্ট টিমগী মতেংগা লোয়ননা চুরচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তুইতম খোঙখাই, চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট আইজিজাং ভিলেজ ১দি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লৈঙাংচীংদা পাঙথোকখিবা ভেটিরিনরি কেম্পতা য়ুমদা য়োকপা শা–উচেকশিং লায়েংখিবা*

# মাফ্রোনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ ঃ হৌ–খবা দিৱালি নুমিৎতা পাজল রেষ্টুরেন্ট শিংজমৈদা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা রেষ্টুরেন্ট অসি থিংজিনখিবা অদু মণিপুর ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন (মাফ্রো)না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মাফ্রোগী সেক্রেটরী জেনরেল জোন্সন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোনা হায়, ইনখৎলক্লিবা তুংগী মীরোল কন্নবা অমদি ইরৈচা পূম্নমক নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা হায়বা ৱাখল্লোলদা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা মাফ্রোগী থৌমশিংনা নোর্থ এ ও সিদা লৈবা হোটেল সিটি ইনদা দ্রাইব চখখি। হায়রিবা মফম অদুদা য়েংবদা নুংঙাইতবা মওংদা লৈরম্বা পাখঙ–লৈশাবী ৪৪ ফাগৎপগা লোয়ননা মতুংদা অদুগুম্বা থবক তৌদনবা পাউতাক পীরগা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নখিবনি।

নুমিৎ অদুদা হোটেল অদুদা লৈরম্বা নাম্থোক্তুনা চেনখিবা মীওইশিংগী আইদেন্টিটি কার্দ অমদি অধার ফাহৌবা মীওইশিংনা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা চংজরক্লবসু খঙহল্লি। করিগুম্বা চংজরক্ত্রবদি মেদিয়াগী থোঙদা মমিং মথা লাউথোক্কনি। হোটেল সিটি ইনসু মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবনি হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা থা ৬ থিংজিল্লে হায়রি।

কনাগুম্বনা হোটেল অসিদা চংদুনা অথিংবা অসিদা শীংনরক্লবদি মদুদগী থোরকপা অফ ফত্তা পুম্নমক মশানা পুজগদবনি। মাফ্রোনা লমচৎ মাংফম ওইরিবা হোটেলশিংদা লেপ্তুনা দ্রাইব চখ্–খগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লমায় ১ গী মখা

# মহারাজ গম্ভীরসিংহগী নীংশিং খুভম মোংশোং ওল্লবসু লৈঙাক্লা হন্না...

এক্ট অসিগী মতুংইন্না ঙাক শেল্লিবা মফম অসিদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা থুগায়বা, লান্না শিজিন্নবা, লম খোপনচিংবা য়াদে। করিগুম্বা মসিগী ওর্দর অসি থুগায়বা তারবদি এক্ট অসিগী সেক্সন ৩০ সব সেক্সন মরিশুবগী মতুংইন্না থা অহুম জেলদা থম্বা নৎত্রগা লুপা লিশিং মঙা ফাইন থিবা নৎত্রগা ফাইন থিবা অমসুং জেলদা লৈবগী চৈরাক ফংবা য়াই।

মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্কী মতমদা ইং ২০০৮–০৯দা স্পিসিয়েল প্লান এসিষ্টেন্সকী মখাদা লুপা ক্রোর ৩ থাদদুনা শেমগৎপা হৌখিবা নিংশিং খুভম অসি মখা তানা লুপা ক্রোর কয়া এস পি এগী মখাদা থাদদুনা নিংথিনা শেম্বা লোইশিনখিবনি।

ইং ২০১৪ গী জনুৱারি ৯দা পাঙথোকখিবা মহারাজ গম্ভিরসিংহগী লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম নুমিত্তা নিংথৌ অসিগী শগোল তোংবগী শক্তম লাক্তুনা শাবা মীতম অমসু হাংদোক্তুনা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা খুৎশিন্নরমখিবনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা নিংশিং খুভম অসি ঙসিদি মপু পান্দবগী মতৌগুম্না নারক মোঙশোং ওম্থোকপীদুনা লিন কাঙ কয়াগী শৈদাংফমগা মান্ননা থম্বিরি।

দি মণিপুর এন্সিয়েন্ট এন্দ হিষ্টোরিকেল মোনুমেন্ট এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেন্স (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ১৯৯৬কী সেক্সন ৬ শুবগী সব সেক্সন (১)গী মতুংইন্না অসিগুম্বা প্রোটেক্সেটেদ মোনুমেন্ট অসিগী মেন্টিনেন্স অমসুং ঙাক শেনবগী থবক অসি অর্কিওলোজিগী সুপরিনটেন্দেন্টনা তৌনবগী ৱাফম পল্লি। মসিগা লোয়ননা সেক্সন অসিগী সব সেক্সন (২)গী মতুংইন্না মোনুমেন্ট অসিগী মেন্টিনেন্স, মসিবু য়েংশিন্নবা মী হাপ্পনচিংবগী থবকশিং অসি সুপরিন্টেন্দেন্টনা পায়খৎপগী ৱাফম পল্লিবনি।

মসিদা নত্তনা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৪গী সব সেক্সন (২)দসু মোনুমেন্ট অসিগী মপু অসি সুপরিন্টেন্দেন্টনা ওইবগা লোয়ননা মসিগী মেন্টিনেন্স অসি মহাক মশামক, নত্রগা মহাক্কী এজেন্ট নত্রগা মী নেক্লগা তৌহনবগী ৱাফমসু য়াওরি।

অমরোমদা নিংথৌ অসিনা লৈবাক অসিগীদমক কখোল্লম্বা কয়া অদুবু শকখঙবা ওইনা চহি খুদিংগী জনুৱারি ৯ মহাক্না লৈখিদবা নুমিৎ অসিবু ষ্টেটকী থাক্তা ছুটি থাদুনা লৈখিদবগী নিংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা ইকাই খুম্নরিবনি।

থৌরম পাঙথোকপা মতমদতমক শেঙদোক্লগা মখা তাবা অতৈ মতমদা মহাক্কী নিংশিং খুভম অসি হন্না য়েংবীদনা লংথোক্তুনা থম্বীবা তারবদি নিংথৌ অসিগী মফমদা ষ্টেটকী থাক্তা ইকাই খুম্নবা উৎলিবা অসিগী ৱাহল্লোক লৈখিগদ্রা হংনরক্লি।

অমরোমদা নেসনেল হায়ৱেগনু হেক তাইনবা মফম অমা ওইবনা মফম অসি নিংথিনা শেমগৎপীরবদি বিটি পার্ক, হিচম য়াইচম পাৎকুম্না মপান লমগী টুরিষ্টশিংনা লাক্তুনা য়েংবা য়াবা মফম অমা ওইহনবা শোয়দনা য়াগনি।

অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা নীংশিং খুভম অসিগী মপুং ওইবা গেটকী পীল্লর মখোঙশিং ক্রেক চৎপা, নিংথৌ অসিনা শগোল তোংবগী মিতম খিল্লিবা অদুগী চেক্কী ফম্বাক অদু কিষ্টরগা লৈরি। মফম অসি লৈঙাক্লা অকন্নবা মীৎয়েং চংবীদুনা নিংথৌ অসিনা পুৱারিদা লৌরম্বা থৌদাং অদু শক খঙবীদুনা নিংথিনা তরু তাননবা নীংশিং খুভম অমা ওইহন্নিংবগী অপাম্বা মীয়াম্না ফোঙদোক্লরক্লি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী এ ব্লোক থোং...

য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওজাশিংনা ক্লাস তৌবিদবা অমসুং ওজাশিংগী তলব পীবীদবা অমসুং অৱাৎ অপা কয়া লৈরিবা অসি মেনশিনবীদবদগী পেন্দবা ফোঙদোকপা ওইনা ভি সি অমসুং রেজিষ্ট্রারগী কা অসি থোংলোনবগী খোঙজং অসি চংশিনবনি।

য়ুনিভর্সিটি অসি হিংহন্নবা অমসুং অফবা লম্বীদা লাক্লবগীদমক থোঙলোনশিনবগী খোঙজং অসি চংশিনবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী মরি লৈনবা মিনিষ্টরগসু ৱারি কয়ারক শান্নখ্রে। য়ুনিভর্সিটি অসি শান্তি ওইনা থবক তৌবা য়ানবগী ফিভম অমা লাকহনগনি লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসি মপুং ফানা থবক তৌহনগনি হায়বগী থাজবা পীদ্রিবা ফাওবা খোঙজং অসি চংশিনগনি।

হৌজিক অনৌবা সেসন হৌরবসু ক্লাস লৈতবনা মরম ওইরগা মহৈরোইশিং ক্লাস তৌবা লেপখ্রে হায়খি।

# ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিদা শোকহনবা...

মসিগী দিমান্দ অসি কৈদৌনুংদা থবক্তা ওন্থোকপা য়ারোই হায়না ফোঙদোক্লদুনা লমদম অসিদা হৌখ্রবা চহী চা কয়া নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরক্লবা য়েলহৌমী মশেলগী মরক্তা তোকখায় তানবা শিল্লিবা থৌওং অসিদা কুকি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা শরুক য়াবিগনু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

লমায় ১ গী মখা

# মণিপুরগী ঙমখৈদি ঙমখৈদা লৈবা মীয়াম্না ঙাক্তুনা...

খঙনা থবক তৌবা তাবনি। উ ৱা পংয়ান্দা য়াম্থৎপনা ঐখোয়গী তুংগী পুন্সি লৈরক্লোই হায়খি।

মতমগী অওনবা মতুংইন্না হৌজিক ঐখোয় মীওইবা অসি কম্প্যুটর হৈত্রবদি লাইরিক হৈতবগা মান্নরবনি। মরম অসিনা মহৈরোইশিংনা তমখিবা কম্প্যুটরগী লৌশিং লেম্না মাঙহন্দনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা দাইরেক্টর প্লানিং ডা. টি ঐচ মুনিন্দ্রোনা হায়,বোর্দর এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী স্কিম অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী মখাদা পায়খৎপা স্কিম অমনি।

ইং ২০১১–১২ দগী হৌদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়–খৎপগী মথক্তা ভোকেস্নেল ট্রেনিংগী থবকশিংসু হাপকৎলক্লি। মদুগী মখাদা ঙসিগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পায়খৎলকপনি।

অসিগুম্বা ট্রেনিং অসিদগী খঙলকপা লৌশিং জ্ঞানশিং অদু মাঙহন্দনা থম্নবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা হিরম খুদিংমক্তা অফবা মীৎয়েংদা য়েংবগী হৈনবি লৈহনবা তাই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা আই দি এমগী দাইরেক্টর ডা. এন রঞ্জনা দেবী, আই সি এমগী সেনিয়ার ফেকল্টি মেম্বর কে জোয়চন্দ্র অমসুং এম এস এম ই, দিভলপমেন্ট ইন্সটিট্যুট ইম্ফালগী দিপ্যুটি দাইরেক্টর দেববর্ত্ত মিশ্রাসু ইকাই খুম্নবা মীথুংশিং ওইখি। লোয়ননা মহৈরোইশিংদা সর্তিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

থা অহুমগী ট্রেনিং অসিদা পুন্না মহৈরোই ৫০ না শরুক য়াখি।

# লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদবদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর...

য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওজাশিং হৌ–খবা ওক্টোবর ১১ দগী ক্লাস লৌবা তোকপগী খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে। মসিগী মথক্তা ঙসিদগী মহৈরোইশিংনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক অমসুং ক্লাসরুম শো লোনশিন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিবু কল্লু হায়বা খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি অসি লিংদ্রিঙেগী মমাংদা মণিপুরগী কলচরগীদমক থৌদাং লৌরকখিবা মীওই কয়া অমদি লৈবাক মীয়ামদা থমখিবা থাজবা অসি লৈঙাক্না মাঙহল্লক্লি।

সেন্টরদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা অমসুং ষ্টেট অসিদসু বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপা মতম অসিদা শেল থুমগী অৱাৎপা লৈরক্লোই হায়না হায়খিবা হৌজিক তাইওন্নরক্লে।

আর্ট এন্দ কলচর চল্লাইনবা শেনফম হান্নদগী ফিভম থিনা শোকথরে। আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবাক মীয়ামগী ওইবা অচৌবা য়ুনিভর্সিটি অমা লৈ হায়বা খন্থদবগুম তৌরে।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী হাংদোকফম থোকপা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্ট হাংদোকপা ঙমদনা লৈরি। দরকার লৈবা ওজাশিং অমসুং ষ্টাফশিং মশীং শুনা হাপ্পা ঙমদ্রি। হৌজিক ফাওবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী রিগুলার ষ্টাফ অমা ফাওবা লৈত্রি। লৈরিবা ওজা অমসুং ষ্টাফশিংগী সর্ভিস কন্দিসন অমসুং শক খঙবীবগী তাঙদাংবা অমসু লৈত্রি।

য়ুনিভর্সিটি অসিদা ওইরিবা ফিভম অসি হৌজিক লৈরিবা ভি সি অমসুং রেজিষ্ট্রারনা ওইহল্লকপা অশোনবা থৌওং কয়ানা ওইহল্লকপনি হায়না চেরোল অদুনা মরাল শিরি।

লৈঙাক্লা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অসি ফাগী তাহনফম থোক্তে, লৈবাক অসিগী মিনিষ্টর, এম এল এ, য়াইতোং ফমদোংবা কয়ানা কলচরগীদমক মীয়াম তিনবা থৌরম কয়াদা ৱা চাউনা ঙাঙলগা হৌজিক তৌথোরক্লিবা থৌওং অসি য়াম্না তাইওন্নবা অমসুং ইকাইনিঙাইনি।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী লৈরিবা ফিভম অসিদা খুদক্তগী লৈঙাক্না থবক লৌ–খত্রবদি কিমাক্সনসু মণিপুরগী নাট অমসুং য়ুনিভর্সিটি অসি কন্নবগীদমক মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।